# ইনকম শরুক অনী হেনগৎনবা হোৎনবদা পূনশিন লৌউনা লৌরিবা থৌদাং

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

**পূনশিন লৌউ** তৌরকপসি ঐখোয়গী লমদমসিদদি অনৌবা খুৎলায় অমদি নত্তে। মসি থায়না ইপা ইপু মতমদগী হৌদুনা লাক্লি। যূম অমা লৈরগদি থকন-চানবা অমদি অতৈ কয়া অমা শীজিন্নবা পুখ্রি অমা লৈ। মসিদা ঙা য়োক্লি, য়েন, ঙানু, ষণ, ইরোই কয়া অমা য়োক্তুনা মখোয়দগী পুথোরক্লিবা পোৎথোক কয়া অমা শীজিন্নে। মসিদসু নত্তনা যূমগী নাকন্দা এঙ্গাং-নাপী কয়া অমা থাবদা ষষ্থি-ষণযুং কয়া অমা শীজিন্নদুনা হেন্না পোৎথোক পুথোকপা হেনগৎলক্লি।

ঙাগা শা-ষণ অমদি য়েন-ঙানুগা পূন্না লোইমিন্নবগী সিষ্টেমসি মখল য়াম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা

- ষণ/ইরোইগা - ঙাগা
- ওক-ঙাগা
- য়েন/ঙানু - ঙাগা
- হামেং - ঙাগা
- থেবগা - ঙাগা
- ঙানুগা - ফৌগা

**ঙানুগা - ফৌগা পূনশিন লৌউ :**

ফৌগা ঙানুগা য়োকমিন্নবনা ফৌগী পোথোক হেনগৎপদা নত্তনা ঙানু য়োকপা মতমদসু মচিঞ্জাক ইচঙ চঙদনা ঙানু মরুম অমদি ঙানু মশা চাবগীসু হেন্না ফংবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুগী মথিনা ফৌ পান্থীনা চঙগদবা অয়াম্বা ন্যুত্রিয়েন্ট পীবা ঙমহল্লি। লৌ পরি অমদা ঙানু ২৫০-৩০০ ফাওবগা পূন্না য়োকমিন্নবা য়াই। ঙানুগা ফৌগা পূন্না থম্মীন্নবা মতমদদি পামফেলদগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পামফেল তৌবনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চৎথোক চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লীংবা মতমদসু 20cm x 20cm গী চাংদা লীংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ নেৎশিনবগী চাং য়াম্না নেমহল্লি। ফৌ লীংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫ ফাওবগী মতুংদা ঙানু মচা থা ১ ফাবসি ফৌরক্তা থম্বীবা য়ারে অমদি ফৌনা লংচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংসি ফৌরক্তা চাবসি তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থম্বীদুনা মখা তানা লোইবীগনি।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোইমিন্নরগদি পান্দোং অমদা য়াওগদবা ফৌ





মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশিংসু হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাংচত্তা লুমগদবা ফৌগী অরুম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি। ফৌরক্তা লৈবা লায়না তীলনা থোকহনবা ঙম্বা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোক্তুনা চাথোকপদগী তীল তাবগী চাং হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়হন্দুনা ফৌ পান্থীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি। ঙানু মথিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইত্রোজেন, পোটাসিয়ম ফোসফরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙমহল্লি। ঙানুনা ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং অফংবা মখল কয়াগী মচিঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাওহল্লি অমদি লৈবাকশিংদু হোম হোম লাওহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুত্রিয়েন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমহল্লি।

**ষণ/ইরোইগা ঙাগা য়োকমিন্নবা :**

লৌ পরি অমগী ঙা য়োকপা মতমদা ষণ ৩-৪গী ষষ্থি ষণযুংনা লায়না পুখ্রি অদু লৈহাও চেলহনবা ঙমহল্লি। চহী অমদা মপুং মরৈ ফারবা ষণ অমদা কেজি ৪০০০-৫০০০ ষষ্থি অমদি ষণযুং লিটর ৩০০-৪০০ পুথোকই। ষষ্থি ঈশিংদা থাদবা মতমদা মিনিট অমদা সী এম ২-৬কী চাংদা লুপথৈ অদুগা ওকথিনা ৩-৪ সী এমগী চাংদা লুপ্পী। মসিনা পুখ্রিদা লৈরিবা ঙাশিংনা ষণষ্থিদা য়াওরিবা চাবা য়াবা খুদিংমক চাবা ফংহনবদা নত্তনা পুখ্রি মনুংদা লৈরিবা ঐখোয়না মীৎনা উবা ফংদবা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা প্লাঙ্কতোনশিংগী মশীং য়াম হন্থবদা চাউনা মতেং পাংই। ষষ্থি-ষণযুংদা য়াওরিবা নাইত্রোজেন চাদা ১.৪১-১.১৭ ফোসফরস ০.৩৭-০.৩৯ অমদি পোটাস ১.৮-২.০ ফাওবা য়াওবা মরম্না ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা ফাইটোপ্লাঙ্কটোন অমদি জুপ্লাঙ্কতোনগী মশীং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা অতোপ্পা/তোঙানবা হার হাপ্পগী মথৌ তাদে। মসিনা ঙা চাউনবা হোৎনবদা চঙগদবা শেনফমদু চাদা ৭০গী মথক্তা হন্থহল্লি।

**ওক্কা - ঙাকা য়োকমীন্নবা :**

ঙায়োক পুখ্রি পরি অমদা ওক ৩০-৪০ ফাওবা থম্বা য়াই। ওক্কোন শাবা মতমদা ওক অমা লৈনবা ১-১.৫ মিটর স্কারগী চাংদা শারগা থম্বীগনি। ওকথিদা চাদা ৭০গী মথক্তা ঙানা চাবা ঙম্বা মচিঞ্জাক য়াওই। মসিদসু নত্তনা নাইত্রোজেন ফোসফোরস য়াওবনা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইরিবা ফাইটোপ্লাঙ্কাতোন অমদি জুপ্লাঙ্কাতানগী মশীং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা অহেনবা ঙাগী মচিঞ্জাক হাপ্পগী মথৌ তাদে। মরম অসিনা ঙা চাউনবা য়োকপদা চঙগদবা শেনফমদু চাদা ৬০গী মথক্তা হন্থহল্লি। ওক্কী মথি ময়ুংশিংসি শেংদোকপা মতমদা ফজনা মকোন্দগী পুখ্রিরোমদা দাইরেক্ট পুথোকপীরগা থাদবা য়াই। মসি নৎত্রগসু কোম তৌরগা হায়ফেৎ কম্পোষ্ট থাদবীবসু য়াই। ওক কেজি ৫০ লূম্বা অমনা নোংমদা মথি কেজি ২.৫ রোম পুথোকই অদুগা কেজি ৫০-৯০ রোম লুম্বনা নোংমদা কেজি ৬কী চাংদা পুথোকই। ওক্কী মথি ময়ুংদা নাইত্রোজেন, ফোসফোরস, পোটাসিয়মগী কন্টেন্টসি ০.৬০%, ০.৫০% অমসুং ০.২০°৬ নি। মরম অসিনা পুখ্রিদা অতোপ্পা হার হাপ্পগী মথৌ তাদে। করিগুম্বা ওকথিসি ঙায়োক পুখ্রিদা দাইরেক্ট থাদবীরোই হায়রগদি নোংমদা হেক্টর অমদা কেজি ৬০গী চাংদা থাদবীবা য়াই।

**ঙানুগা - য়েনগা - ঙাগা য়োকমিন্নবা :**

ঙায়োক পুখ্রি পরি অমদা ঙানুগী মশীংসি ২০০-৩০০ ফাওবা থম্বা য়াই। ঙানুগী মকোলসি ঈশিংগী মথক্তা নৎত্রগা পুখ্রিগী মনাক্তা নৎত্রগা পুখ্রিগা যূমগা নক্নরগদি যূমগী মনাক্তা থম্বীবা য়াই। নোংমদা ঙানু অমনা গ্রাম ১২৫-১৫০ ফাওবা মথি ফাই। হায়রিবা ঙানু ২০০-৩০০ সিনা চহী অমদা ১০,০০০-১৫,০০০ ফাওবা মথি পুথোক্তুনা চহী চুপ্পা পুখ্রিগী হার ওইহনবা ঙম্মী। মকোন্দা ফাইরম্বা মথি অমদি অরেম্বা মচিঞ্জাক খুদিংমক পুখ্রিদা চাই চাইদুনা থাদবীগনি। করিগুম্বা পুখ্রি মনাক্তা শাবিগে হায়রগদি ঈশিং ঈমাইথক্তা ফুট ২ মুক ৱাংখৎনা শাবীগনি। ঙানু মথিনা হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহল্লি। পুখ্রিদা ঙানু লৈবনা ঈশিংদা মহিক মতাই তাবগী চাং য়াম্না হন্থহনবা মরম্না ঙানু অমদি মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঈশিংদা ঙানুনা মশা খপ্তুনা চৎপা অমদি মখোঙনা ইরোইবনিনা পুখ্রিগী নুংশিৎ হোংদোক হোংজিন তৌবদা অচৌবা মতেং পাঙই।

ঐখোয়না পুনশিন লৌউ হায়বদি এন্টরপ্রাইজ অমগা অমগা পূনশিন্দুনা লোইবসিনা অমমম খক্তং লোইবদগী হেন্না শেন্দোং লৈ। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবদা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরি। মরম অসিনা হেন্না ইনকম লাক্নবা অসিগুম্বা পূনশিন লৌউ লোমদা মায় ওনশিল্লসি।

---

# ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী কান্নবশিং

ডা: যুম্নাম বেদজিৎ সিংহ

**ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং** হায়বসি করিগুম্বা থৌওং অনী নৎত্রগা অনীদগী হেনবা থৌওংশিং মতম অমত্তদা, মফম অমত্তদা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা অদুবুনি। করিগুম্বা ঙানা অচৌবা শরুক অমা ওইরবদি থৌওং অদুবু ইন্টিগ্রেটেদ ফিস ফার্মিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসিদদি থৌওং অমগী কান্নদবা অমদি অরেম্বা পোৎশিং অদু অতোপ্পা থৌওং অমদা কান্নবা পোৎ ওইনা অমুক শীজিন্নে।

***ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী কান্নবশিং ঃ***

১। চাথোক হেনগৎহল্লি।
২। থবক ফংহনবগী চাং হেনগৎহল্লি।
৩। শেন্দোং হেনগৎহল্লি।
৪। ঙা য়োকপদা চঙবা পৈশা হন্থহল্লি।
৫। পোৎশক খুদিংমক ফজনা শীজিন্নদুনা অমাঙবা অমদি অরেম্বা লৈহন্দে।
৬। থৌওং অমা শোয়বদগী মায় পাক্ত্রবসু অতোপ্পা থৌওং অমা মায় পাক্লক্তুনা অমাঙবা ওইগনি হায়বগী কিনিঙাই ওইদে।

***ঙা অমসুং ষণ য়োকমিন্নবা ঃ***

ষষ্থিগী বাইওলোজিকেল ওক্সিজেন দিমান্দ নেম্মী অমদি ঈশিংদা লুপথবদসু মিনিট অমদা সেন্টিমিটর ২ দগী ৬ ফাওবদমক চঙই। পরি অমা চাউবা পুখ্রিগীদমক্তা ষষ্থি কিলো ১০০০০ দগী ১৫০০০ চহী অমগী মথৌ তাই। মরম অদুনা ষণ ৫ দগী ৬ না পরি অমা চাওবা পুখ্রি অমগী লৈহাও ফজনা পীদুনা ঙাগী অতোপ্পা মচিঞ্জাক মথৌ তাহন্দে। Biogas slurry ওইনা শীজিন্নরবদি পরি অমা চাউবা পুখ্রি অমদা চহী অমদা কিলো ১৫,০০০ দগী ৩০,০০০ মথৌ তাই। ঙা য়োকপগী মওংনা Polyethere ওইনা হায়বদি খূৎশামুক চাউবা ঙা ৮০০০ দগী ১০০০০ ফাওবা (মথক্তা চাবা: ময়ায়দা চাবা: মখাদা চাবা: নাপী চাবা ঙাশিং ৪০: ২০: ৩০: ১০ গী রেসিওদা) থাদগদবনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি শীজিন্নদুনা পরি অমদগী চহী অমদা ঙা কিলো ৩০০০ দগী ৫০০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী।



FISH_CUM_DUCK_FARMING



FISH_CUM_PIG_FARMING

***ঙা অমসুং য়েন য়োকমিন্নবা ঃ***

য়েন ৫০০ দগী ৬০০ না পরি অমা চাউবা পুখ্রিগী লৈহাও ফজনা লৈহনবা ঙম্মী। নোংমদা য়েষ্থি কিলো ৩০ দগী ৩৫ পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা নোংমগী ওইনা নুমিৎ থোক্লক্লবা মতুংদা থাদবীগদবনি। ঙা য়োকপগী মওংদি মথক্তা পনখ্রিবা অদুগা চপ মান্নে। হায়রিবা থৌওংশিং অসিদগী ঙা কিলো ৩০০০ দগী ৪০০০ ফাওবা চহী অমদা পরি অমা চাউবা পুখ্রিদগী পুথোকপা ঙম্মী। মসিদসু নত্তনা য়েন কিলো ২৫০০ অমদি য়েরুম ৯০,০০০ দগী ১,০০,০০০ পুথোকপা ঙম্মী।

***ঙা অমসুং ঙানু য়োকমিন্নবা ঃ***

ঙানুনা হঙোই মচা, তীল-কাং অমসুং পুখ্রিদা হৌবা কান্নদবা নাপী চাথোকই। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা ইরোইবা মতমদা ঈশিংদা তূমদুনা লৈবা ওক্সিজেনগী চাং হেনগৎহন্দুনা ঙাগীদমক য়াম্না কান্নহল্লি। ঙানুগী মথি অমসুং চাবা লোইহৌদবা অরেম্বা মচিঞ্জাক অদুনা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইবদা নত্তনা পুখ্রিগী ঈশিংবু লৈহাও লৈহন্দুনা ঙাগীদমক য়াম্না কান্নহল্লি। পরি অমদা য়োক্কদবা ঙাগী চাংদি ৮০০০ দগী ১০,০০০ ফাওবনি অদুগা ঙানুনা ২০০ দগী ৩০০ ফাওবসি ওইগদবনি। মসিদগী ফংলকপা ঙানা চহী অমদা কিলো ৩৫০০ দগী ৪০০০ ফাওবনি অদুগা ঙানুনা কিলো ৫০০ দগী ৬০০ ফাওবনি। মসিগীসু মথক্তা ঙানু মরুম ১৮০০০ দগী ১৮৫০০ ফাওবসু ফংগনি।

***ঙা অমসুং ওক য়োকমিন্নবা ঃ***

ওকনা চাবগী অরেম্বা মচিঞ্জাক অমসুং ওক্কী মথি অসি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইবদা নত্তনা পুখ্রিগী ঈশিংবু লৈহাও লৈহন্দুনা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহল্লি। পরি অমা চাউবা পুখ্রিগীদমক্তা ওক ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়োক্কদবনি অদুগা ঙানা ৮০০০ দগী ১০,০০০ ফাওবা য়োক্কদবনি।

***ফিশ কম পেদ্দি ফার্মিং (ঙা য়োকপা অমসুং লৌ উবা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা) ঃ***

লৌবুক্তা ঈশিং লৈবসি থা নিপাল ফাওবা লৈ। মরম অদুনা ঙা য়োকপগা পূন্না তৌমিন্নরবদি ফৌখক্তা নত্তনা ঙাসু পুথোকপা ঙমহল্লি। ঙা য়োকপগা লৌ উবগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবগীদমক্তদি লৌফম অদু খরা শেমদোকপা মথৌ তাই। লৌফমগী অকোয়বদু খরা লুথনা তৌবা অমদি অকোয়বগী লৈপলশিং খরা ৱাংনা থোনবা নৎত্রগা লৌবুক্কী ময়ায়দা পুখ্রি থম্বা নৎত্রগনা লৌবুক্কী নাকল অমদা পুখ্রি থমগদবনি। রৌ, বাও, ম্রিগল, ফাবৌঙা, তুংহনবী অমসুং পুকলাওবী য়োকপা য়াই। করিগুম্বা নাপী চাবী য়োকপীগে হায়রগনা খূৎশামুক চাউদ্রিবা নাপী চাবী ফৌ পান্থীনা মচা পোকপা লোইশিল্লকপা মতমদা থাদবীগদবনি। অপূনবা থাদগদবা ঙাগী চাংনা পরি অমদা ১০,০০০ ওইগদবনি। লৌ লোক্লবা মতুংদসু ঈশিং তুংবা মফম ওইরগদি লৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা ঙা অমুক থাদবসু য়াই।

অসুম্না ঙা য়োকপা অমদি লৌ উবা পূন্না পাঙথোকমিন্নরবদি লৌরোক অমুক্তা চাওরাক্লা ঙা কিলো ৯৫৬ অমসুং ফৌ কিলো ৬৮১৪ পরি অমগী লৌফমদগী ফংবা ঙমগনি।

***ফিশ কম হোর্টিকলচর (ঙা য়োকপা অমদি মনা-মশিং, মহৈ-মরোং থাবা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা)ঃ***

পান্থীশিংনা পুখ্রিগী লৈপলদা থাদুনা পান্থীশিংদগী লেমহৌবা মনা মশিং অদু ঙাগী পুখ্রিদা থাদদুনা নাপী চাবীগুম্বগী মচিঞ্জাক ওইহল্লি অমদি লৈহাও চেল্লবা পুখ্রিগী ঈশিং অমদি লৈবাক্লা পান্থী থারিবদুদা হাপ্পীদুনা পোৎথোক ফজনা লৈহল্লি। হায়রিবা থৌওং অসিনা ঙাখক্তমক য়োকপদগী চাদা ২০ দগী ৩০ ফাওবগী শেন্দোং হেনগৎহল্লি।

***ফিশ কম মুশরুম কলটিভেসন (ঙা য়োকপা অমসুং চেঙগুম থাবা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা) ঃ***

চেঙগুম থাবা মতমদা ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না ৱাংনা মথৌ তাই। মরম অদুনা পুখ্রিগা নক্নবা মফমদা চেঙগুম থাবদা য়াম্না চান্নে। চেঙগুম হেকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা চরু অদু ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজরবদি শঙ্গোম থোকপা য়াম্না হেনগৎহল্লি। অমদি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা নৎত্রগা পুখ্রিগী লৈহাও লৈহন্নবা ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

---

# কে-কু ফোংলসে, খ্বাই কেকু ইপূগী ৱাচৎনি

অঙোম সলাই পিবারেল মৈতৈ

য়াইফরবা কুমজা ১৬/৬/২০১০, ইঙাগী ৪নি পানবা যূমশকৈশা নোংজাদা খ্বাই কেকু ইপূনা ইরমদমসিগী ইরৈচাশিংদা মচা-মশু, মনাই ওইবশিংদা কে-কু ফোং ফোংলরে হায়না মরূ-ৱাবু ৱাচৎনবিখি। খুমন পুংগী অশুপ্পা ৱারোলনে, খ্বাই কেকু ইপূনা ৱাচৎনবনে। নহান নুংগী মরূদা পাখংবা চৈচৎলোন্দা সলাই তরেৎ ইপূগী ৱায়েল-এ। থৌখাই ৱানে-এ। ৱাদি ৱারূ ৱাপোক ৱাচোং-এ। নহান নোংলু নোংখাইনে, ঙসি পুয়েন ৱাচৎনে, চৎন-চক, য়াইবি-চং তানা ৱায়েল্লসে। থৌ মরূ পুমাংবা, থৌ খংনা ৱায়েনসে, থৌমাং লমলাই কোক্লগা থৌদাং লমদি পুয়েৎপা, পূক্নিং শেংদা লংদাইবা, পরম পোক্তি য়াইবিরেল, শিদ ৱায়েন থৌদাংনি-এ। লান্দবা মউ চকৱাই ৱানে, অতিয়া মরূ শেংবা ৱাচৎনে, তাহবঙ মরূ কোকপা ৱানে-এ। লমলাই শেংসে-লাই শেংসে, মপোক থৌদু ৱানম থৌশেংসে। মায়কৈ ফিরাল থেৎনা ৱানে, চন্ন-য়াইবু ফংসে। চৈচৎ ৱাবু ঙাকসে। অনম থৌদু থৌকোকসে-এ। থৱায় মঙান ফংনা ৱানে-এ। লাইচৎ, কুমজা-কুমচৎ শাথোক ৱানে। কুমদাইরসে - লংদাইরসে - এ। য়াইফ ৱাচৎনরে, য়াইফরে য়াইফরে য়াইফরে।

**‘কংলৈ ইমা য়াইফকোল’ শাফোংলকপগী শন্নপ্পা ৱারোল :**

কুমজা ১৯৯২গী লমতা থাদগী লাইয়াম্না মীরেল মীতম্নবা হৌরকখি। পুয়াগী মরমদা লাইয়াম্না তান্নরগা পুয়াসে কনাদা থৌদাসিগে খন্নরগা-ৱাতাইনবা হৌখ্রে। অনৌবা য়েন্নিং হুন্নবা লাইয়াম্না পলেম ইমাদা-কংলৈ ইমা ওইনা শাফোংলক্তুনা থৌদারকপনি-এ। কুমজা ১৯৯২গী অথোইবী ওইরসে হায়দনা, নহান মৌশুম্মীগী লংদাইলক্তা মৌরুবী সলাই, ক্বাক, শারোই, ঙারোই ওইবদা মীগা-থানা তরুক মীশুপ লাইশুপ্পা ওইবা কোক্লগা লাইতোংবী ওইদুনা পোক্লকই। হন্দক্কী লাংওনসিদা লাক্লগা লংদাই অফবদা তিন্দুনা চরক্লবা কোক্লদুনা ইপান থাই-এ। ঙসি কৌবা নোংজাসে লাইগা-মীগা ৱাশক্নরগা মালেমগী চারোল-শুরোল তরেৎতা সলাইরেন শিদবনা, সলাই তরেৎকী চারোল শুরোল তরেৎ কনবা ঙম্বী ওইযু হায়দুনা ইবেনধৌ ফম হাপখ্রে-এ।

কুমজা ১৯৯২দগী চহী ৭শুবদা হৌজিক্কী ‘কংলৈ ইমা’ মীংথোল্লিবী পলেম ইমাদা থৌদারকই। কুমজাসিগী থৱান থাদা লাইমিৎলোন থোক্লে। লাইগী ৱাচত্তা ‘কংলৈ ইমা’ ওনখ্রে। তাইবঙগী ওইবদনা সলাই তরেৎ পোকপী মরূরেল শিদবী ইবেনধৌ ওনখ্রে-এ।

মালেম লৈকোইপুংসিদা মরম খঙদ্রদি তাইবঙচাশিংনা লমলেন লৈখানা চাউব্রা-লৈথক্লা চাউব্রা হায়নৈ। লৈথক, লৈখা, খাথুম-লাইথুপ মরমসে লৈবনা ইবেনধৌ মরূলেম্বীনা খাদা চাউ-এ। থক্তনা সোরারেল ইপান থাবা ইপানা চাউ-এ। লৈথক-লৈখা হায়বদি, ইপা-ইমানি। মরমসে লৈবনা মরূ ৱাবু চৎনবনে। মীরোল তরেৎ, খারম তরেৎ, নুংলোন তরেৎ লোয়না শেংদোক্লগা ঙসিদি মালেমগী মচা-মশু, মনাই ওইবদা অশেংবা অচুম্বা অওইবা চৎননবা কয়া মালেমসিদা কংলৈ ইমানা শেম্বী-শাবিরি। খঙলমদবা মীগী-লাইগী মরূ-ৱাবু খঙহনবীরি-চিংশিনবীরি মচা-মশু, মনাই ওইবশিংদা।

লোয়ননা শেম্বীবা মপূ, তাইবঙ মপূ, ইশাবু ইশানা মশক খঙননবা মরূ-ৱা কয়াগা লোয়ননা নুং-পান অনীগী ইপা-ইমা, ইপূ-ইপেন মশক খঙহনবীরি। ৱারোলসিবু কৌ-এ, শিদ-য়াই, নাদ-য়াই, মরূ-ৱা থাবিরি মালেমসিগী। কুমজা ২০০৭কী মেরাগী ১৫নি পানবা হৌ-চোংবা নুমিত্তগী হৌরগা ‘কংলৈ ইমা’ গী ঙসি ফাওবা মেরা হৌ-চোংবা চথরক্লি। হন্দক্কী কুমজা ২০১৭কী মেরাগী ১৫নি পানবা মেরা হৌ-চোংবদা ৱাচৎ-মরূ পীবিখিবদা হৌজিক-হৌজিক্কী ওইবা কংলাদা ‘কংলা শা’ গী ময়া কবাক খল্লগা মমাই মনিং ওন্দুনা লৈরিবসিগী পানখত্তি, মনিংলোমদগী, খারোমদগী মীরান চা কয়া লাকপা থিংনবা কংলা শানা লৈবনি।

অদুবু! অদুঙৈ বৃটিশনা ঐখোয়গী লৈঙাক পনঙাক্লম্বা কংলা শাবু ময়া কবাক খন্দুনা থম্বীরম্বনা কংলা শাগী মথৌ মঙম ঙসি ফাওবা করিমত্তা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরকপনি।

**চৈচৎসিগী চথরিবা ৱাচৎলোন অমদি শিন্থাগদবা (পান্দম) :**

১) লাইগী পরমদা নোংপোক থোঙ লাইয়াম্না হাংখ্রবনিনা - তাইবঙ ঐখোয়গী শিন্থা-থৌদাংদি ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তনা লৈরক্লি। থৌদাং মরূ-ৱারোলদি অসুম্না পীরি। ‘কংলা শা’ গী খুদুঙ অনীমক খুউ-খুদক কুন্দুনা নোংপোক ওন্না নোংপোক থোঙ হাংবগী য়েৎ-ওইদা অমমম ফমহন্দুনা লৈগদবনি। ময়াদি উমশিল্লগা য়াম্না ইংনা-চিক্লা কদাইদা কনা, করি লাকপগে য়েংবগী মওংদা লৈগদবনি।

২) ‘কংলাগী ইবুধৌ’ গী শঙলেন অসি থৌদাং অসুপ্পগী লৈফম শঙলেন অমনা ওইরগদি-য়েক-সলাই তরেৎকী অসুপ্পদি খুমন পুংগী মফমদা ওইগনি-লৈগনি। অদুবু! হৌজিক লৈরিবা অসিদি লুৱাং কাদনি - মফমদনি, অদুনা খুন্নাইসিগী অসুপ্পা থৌনি-থৌদাংদি হৌজিক্কী লৈরিবা অমসিনা মপূং ফাবা য়ারোই।

করিগুম্বা লৈঙাক মপূনা মীৎয়েং চংবিদুনা থৌদাং হেন্না মপূং ফাগদবা, তশেং-তশেংবা, তংদু-লৈতাবা মওংদা থৌদাং ওইনা মঙাং, লুৱাং, খুমনগী শঙলেন কংলা মনুংদা থম্বীরবদি খুন্নাইসিগী ইরৈচাশিং, লাইনীং-লাইশোন্দা হেন্না কয়াৎ চুমগনি-শেংগনি, খুদোংচাগনি, য়াইফগনি-এ।

খঙজরে, ঙসিদি মপূগী থৌদাংগা ‘কংলৈ ইমা’ মমানা চানবিবা-য়াবিবা থৌদাংগা ইরোইননা মালেম লৈকোইপুংসিদা মরূ-ৱাবু শিন্থা ওইরি-চৎনরি। অদুবু! অসিমদি লৈদো, ইপা-ইমা, ইপূ-ইবেন মশক তাকপসে, খুন্নাইসিগী মীরোল অমদি মচা-মশু, মনাই ওইবশিংগী থৌদাংনি। নিজরি লেপ্পা লৈতনা মালেম ইমানা য়াবা লাইবক ওইজগে, পন্থৌ ইপানা য়াবা কোকলেন ওইজগে হায়না। লাইনা তম্বীবা মপোক্তো য়ৌনবা খোং থাংসে, পান্দম ওইসে-এ।

৩) নোংমাইজিং চীংগী চীংশাং নাপোমদা নোংপোক নিংথৌ অপানবা ইপাগী খুভমসে লিক্লম-খোঙ্গুল থিবদা নারক মোংশোংনা ইপাগী মশক-মশেক-মঙান থোক্ত্রে, খঙদ্রে থিবদা ৱানরে। ইপাগী খুভমসিমক্তি খুন্নাইসিগী তঙাইফদবা থৌদাং মপূং ফাদ্রিব্রা খঞ্জে। মথক্কী মরূ-ৱাবু লৈঙাক মপূনা থৌদাং-য়াথং তাওথবিরগদি মালেম লৈকোইপুংসিদা হি-য়াই, মঙান থোকপা, মতিং লৈবা ইরৈচা কয়ানা থৌদাং খুদোল পাঙথোক্লগদি, শিদ-য়াই, নাদ-য়াই উপাল থাবিবনে-এ, তুংগী মীরোলগীদমক্তা। মরূ ফংনা য়াইফখ্রগনিদা ইরমদমসে-খুন্নাইচাশিংসে।

**য়াইফরবা ১৪-৭-২০১৬কী মেরাগী ২৪নি পানবা লৈবাকপোকপা নোংজাগী পুয়াগী ৱাচৎ :**

কৃষ্ণগী চরানা চিরা চুখোং ওইরম্বদু লৌথোকখ্রে - কোক্লে। কৃষ্ণগী লাংওন লোইশিনখ্রে। খোইদৌ থম্বাল শাৎলে, লৈকং থম্বাল শাৎলম্বা মীনা পেক থদৎলগা মীনা চিনবা-শেগাইরগা হুন্দোকপা য়াদ্রে-য়াররোই। খুন্নাইসিগী ইরমদমসিগী মরূ-ৱাগী ৱাচৎনে। চিরা চুথেক মরী শৎলবসু, চুথেক মরি ইন খোল্লবসু ঙামু অচংবা লকত্রিনে-হে। ঐখোয়গী লৈঙাক পনখৈ নত্তবা-মীরমলেন্দসু লাইরোন্দা রামগী-বলরামগী শঙলেন শাদুনা সিতা ইমাগী অশেংবা লৈবাক ওনখ্রে। লাক্লবনি অওনবা মান্নবা চাকথুং ফিদুংবা খুন্নাই।

মঙাংলোই য়াংদৌরকপা, নোংপোক নিংথৌ অপানবা, মঙান লোইবী য়াইবিরেল শিদ-য়াই, নাদ-য়াই নাওকোল্লকপা পান্থোইবী ইমা য়াংদৌবী, লৈশেম লৈকোলনুংদা, মঙান য়াওল লংদাইরক্লে। হৌখি-কাখি-নোংদমখি খোল্লাউ য়াওনা য়াংদল্লকপা শানম্বা লাই কোক্লগা, অথেমনুবী, তরঙনুবী, নোংলৈনুবী, নুংশিৎ নোংহুম-শাহুম লৈবা পূম্ন মক, হোই লাওনা হোইদোক-এ হায়রগা অকারম লাকপনা লুৱাংশংবম য়ৌই-এ।

লমলেন পোকপা - অপোকপা লমদাই খুন্নাই অহানবা, লাই মনাই খুন্নাই অহানবা খুন্দিল্লি-য়াংদৌ-এ। সনা-মরিক মফোন হৌরগা, লুপা মফোন লাংবা চৈচৎ লাকপদা তাইবঙ চা পূম্নমক্লা গে-গে, নোই-নোই য়াংদৌ ঙান্না লৈশি-লৈথোনবা ঙম্মী। লুৱাংচা সলাইগী ফমথোন কাই-এ। মরেক-মহাও থোক্লে, য়াংদৌ ঙাল্লি। শনম্বা লাই কোকই, শাথুপ্পা কোক-এ।

-মথং-মথং